# কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরবা মীওই ১২ ট্রেনদা তোংলম্বা থেংনরে : ইন্দিয়ন রেলৱেজ




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
মার্চ ১৩দগী ১৬ ফাওবদা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরবা মীওই ১২ তোঙান-তোঙানবা ট্রেনশিংনা তোংলম্বা থেংনরে হায়না ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ফোঙদোকখ্রে।

পোজিটিব ওইরবা মীওই খরা ট্রেনদা তোংলম্বা মরম্না হৌজিক হৌজিক অতৈ অতোপ্পা মীওইশিংনা ট্রেন তোংদুনা চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়রি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা রেলৱেজনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা য়ারিবমখৈ মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা চখোক চৎশিন তৌরোইদবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা মহারাষ্ট্রদা লায়না লায়চৎ অসিগী কেস খ্বাইদগী য়াম্না থেংনখ্রবা মতুংদা ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর রাজেস টোপেনা মীপুম খুদিংমক পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সার্ভিস শীজিন্নদনবা খঙহনখ্রে। মুম্বাই-পুনে রিজনদগী বিহার তম্না থৌরকপা ট্রেনশিংনা তোংলকপা পেসেঞ্জর পুম্নমক স্ক্রিনিং তৌবদা মতেং পাঙবীনবা ইষ্ট সেন্ট্রেল রেলৱেনা বিহার গভর্ণমেন্টতা হায়জখি। বিহার গভর্ণমেন্টনদি থৌরাং অসিনা ষ্টেটকী হেল্থ ওথোরিটিশিংদা অচৌবা পোৎলুম অমা থাঙ্গৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী মফম পুম্নমক পব্লিক কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রবা মরম্না নোংমাইজিং নুমিৎতা ট্রেন অমত্তা চেল্লোইদৌরি। অদুম ওইনমক নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা লমথুংফম য়ৌগদবা ৱাৎলিবা ট্রেনশিংদি মখা তানা অদুমক চেনগনি।

মার্চ ১৩দা এ পি সম্পার্ক ক্রান্তি ট্রেন তোংদুনা চৎলম্বা মীওই ৮ কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখি। বেঙ্গলুরু-দিল্লি রাজধানি ট্রেনদা তোংলম্বা মীওই খরসু পোজিটিব ওইরম্বদগী লমখাংদা লৌথহৌখি হায়রি।

চৈরকসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা হৌজিক চথরিবা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজাম এপ্রিল ১৫ ফাওবা য়ৈথোল্লগনি হায়না হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

# কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা মার্চ ২৩দগী আর্মি ওফিসর চাদা ৩৫ ময়ুম ময়ুমদগী থবক শুরগনি




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
নোভেল কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী মতাংদা আর্মিনা অনৌবা চেরোল অমা থোকখিবগা লোয়ননা হেদ ক্বার্টসতা লৈরিবা ওফিসার চাদা ৩৫ অমসুং জুনিয়র কম্মিসন ওফিসার (জে সী ও) চাদা ৫০ ময়ুম ময়ুমদগী থবক শুহন্নবা য়াথং পীখ্রে।

মার্চ ২৩ দগী ওফিসারশিং ময়ুম ময়ুমদা মশা মথন্তা ক্বারেন্টাইন তৌনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি কোরোনাভাইরস ঙাকথোক্নবগী পান্দমদনি হায়রি। আর্মি চীফ জেনরেল এম এম নরবনেনা হেদ ক্বার্টসতা মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিনখি।

আর্মিনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং য়েংশিল্লবা মতুংদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, মার্চ ২৩দগী হৌনা ওফিসার চাদা ৩০ অমসুং জে সি ও/ও আর চাদা ৫০ ময়ুম ময়ুমদগী থবক শুরগনি। অনীশুবা কাংলুপ অদু মার্চ ৩০দগী ময়ুমদা মশা মথন্তা ক্বারেন্টাইন তৌদুনা লৈহল্লগনি। মীওই অমগা অতোপ্পা মীওই অমগা তোয়না নকশিন্নবনা কোরোনাভাইরস শন্দোরক্নবগী মরু ওইবা মরম ওইবনা য়ারিবমখৈ ওফিসরশিং য়ুমদগী টেলিফোন অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলম শীজিন্নরগা থবক তৌহন্নবা খঙহনখিবনি হায়রি।

আর্মিগী চেরোল অদুনা হায়খি, কা হেন্না মী পুন্দনবা আর্মি হেদ ক্বার্টসকী চঙফম অমসুং থোকফমদা অকক্নবা মতম খরগী মনুংদা চখোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি। মাংজৌননা ছুটি লৌখ্রবা পার্সনেল পুম্নমক মরী লৈনবা ওথোরিটিনা এপ্রিল ১৫ ফাওবা ছুটিগী মতম শাংদোকহল্লগনি।

ওফিসরশিংনা মপান লৈবাক্তা চৎপসু খুদক্তগী থিংলে। ওফিসার অমদি পার্সনেল পুম্নমক য়ারিবমখৈ মীয়াম তিনবা মফমদা চঙদনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা আর্মি কেম্পশিংদা এৱেয়রনেস পাঙথোক্লি। এপ্রিল ১৫ ফাওবা আর্মিগী কনফরেন্স অমদি সেমিনার পুম্নমক য়ৈথোকপা লৈখ্রবনি।

# ঝরখন্দগী মিনিষ্টর ওইরম্বা অনোস একাবু মনি লোন্দরিংগী কেসতা কনভিক্সন পীখ্রে



রাঞ্চি, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
ঝরখন্দগী মিনিষ্টর ওইরম্বা অনোস একাবু ষ্টেট অসিগী কোর্ট অমনা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ)কী মখাদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা কনভিক্সন পীখ্রে।

রাঞ্চিগী কোর্ট অমনা একাদা পীগদবা চৈরাক মার্চ ৩১দা লাউথোক্লগনি। কুমজা ২০০৯গী সেপ্টেম্বরদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মধু কোদা অমসুং অতৈ মীওই খরগী মথক্তা পি এম এল এগী কেস লৌখৎখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা মীওই কয়ামরুম ফাগৎখি। কুমজা ২০০২দগী চৎনবা হৌখিবা এক্ট অসিগী মখাদা কনভিক্সন পীবা হন্দক্লা ১১ শুবনি।

কুমজা ২০০৬তগী কুমজা ২০০৮ ফাওবা মধু কোদাগী কেবিনেটতা রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ওইরম্বা একাগী লুপা ক্রোর ১০০ রোমগী লন-থুম ফাজিনবা লৈখ্রে।

একা অমদি মহাক্কী লোয়নবীনা মশাগী শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা মরল মথুম লেপশিল্লম্বা থেংনরে হায়না মমাঙদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না মরাল শীবা লৈখ্রে। হৌজিক হৌজিক সিমদেগা দিষ্ট্রিক্টকী কোলেবিরা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ওইরিবা একানা মতম অমদা ঝরখন্দ পার্টিগী এম এল এ ওইরম্মী। মশাগী শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা লন-থুম পৈশিল্লম্বগীদমক কুমজা ২০১৭তা হান্নগী মিনিষ্টর হরি নরায়ন রাইবুসু চহী ৭ জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রবনি।

# উকিলশিংগী লুপনা কোর্টকী ছুটি থাদোক্নবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্ট বার এসোসিএসন (এস সী বি এ) অমসুং সুপ্রিম কোর্ট এদভোকেট ওন রেকোর্দ এসোসিএসন (এস সী এ ও আর এ)না এপেক্স কোর্টকী কালেন ছুটি মতম ঙনখৎনা থাহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ শন্দোরকপা মরম্না মীয়াম পুন্দনবা খঙনহখ্রবা মতুংদা উকিলশিংগী এসোসিএসননা কোর্টকী ছুটি থাদোক্নবা চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেদা রেকমেন্দ তৌবা হায়না ৱারেপ লৌখি। এস সী বি এগী একজিক্যুটিব কম্মিতিগী মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না মার্চ ২৩দগী চয়োল ৪ চুপ্পা ছুটি থাদোক্কদবনি হায়রি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা চীফ জষ্টিস অমসুং জষ্টিসশিংনা মার্চ ২৩দগী চয়োল ৩ চুপ্পা কোর্টকী ছুটি থাদোক্তুনা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়নসু মিতিং অদুনা ৱারেপ লৌখি।

এস সী এ ও আর এনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদসু চপ মান্নবা ৱারেপ লৌখি। চহী খুদিংগী ওইনা মে ১৮দগী জুলাই ৫ ফাওবা সুপ্রিম কোর্টকী কালেন ছুটি থাই। অদুবু হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা তঙাইফদবা কেস লাক্লবদি ভেকেসন বেঞ্চনা ৱায়েল চথৈ।

হন্দক চহীগী ওইনদি কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ ঙাকথোক্নবগী পান্দমদা মতম খরা ঙনখৎনা কোর্টকী কালেন ছুটি থাবদা অকায়বা লৈতে। থৌরাং অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগনি হায়রি।

# কমল নাথনা ওগষ্ট ১৫গী থৌরমদা মচু অহুমগী ফিরাল চীংখৎকনি : কোংগ্রেস



ভোপাল, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
ওগষ্ট ১৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা কমল নাথনা মধ্য প্রশেকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা মচু অহুমগী ফিরাল চীংখৎকনি হায়না ষ্টেট অসিগী কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

কমল নাথনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্লগে হায়না গভর্ণর লালজি তন্দনদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেসকী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা এসেমব্লীগী লৈমায়দা পাঙ্গল চাংয়েং পাঙথোক্নবা মতম লেপখ্রবা মতুংদা কমল নাথনা পাউগী মীফম অমদা ফম থাদোকপগী ৱাফম লাউথোকখি।

বি জে পিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা ফম থাদোকখিবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, তেল্লবা থা ১৫ খক্কী মনুংদা কোংগ্রেসনা মধ্য প্রদেশতা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনখি। বি জে পিনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রিঙৈদা তৌবা ঙল্লমদবা থবক থৌরম কয়া কোংগ্রেসনা শুপ্নগী থা ১৫ খক্কী মনুংদা পায়খৎখি হায়নসু কমল নাথনা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক ইনথুনবা বি জে পিনা কোংগ্রেসকী এম এল এ খরা কর্নাটকাদা ফাজিন্দুনা থল্লে হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্না হায়খি, নিংথৌ জ্যোতিরাদিত্যা সিন্দিয়ানা বি জে পিগা লৌতুনদুনা কোংগ্রেসকী লৈঙাক ইনথুনবা হোৎনরি।

কমল নাথগী লৈঙাক মাইনোরিটি ওইহৌরবা মতুংদা মিনিষ্টর ৬ য়াওনা সিন্দিয়াগা নক্নবা এম এল এ ২৩ ফম থাদোকখি।

# ষ্টেট লৈঙাক্না লেবরর, কন্সষ্ট্রক্সন ৱর্করশিংদা লুপা ১০০০ পীরগনি : য়োগি অদিত্যানাথ



লক্ষ্নৌ, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা লেবরর অমসুং লেবরর লাক্ষ ১৫ অমসুং কন্সত্রক্সন ৱার্কর লাক্ষ ২০.৩৭তা লুপা লিশীং ১/১ দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফরগী খূথাংদা ফংহল্লগনি হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা মরমনা মী পূনবা য়াহনখিদবদগী খূৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিং অৱাবা মায়োক্নরক্লিবা অসিগী য়েংলগা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

লক্ষ্নৌদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীয়াম্না তোকঙাদা থাজবা থমদুনা মীপাইবা পোকপীগনু। তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মরাং কায়না লৈরি। কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরক্লবসু মীয়ামদা পোৎ চৈ ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নহল্লোই। অদুম ওইনমক য়ারিবমখৈ মীয়াম তিনবা মফমদা চঙবীগনু।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা লাউথোক্লিবা পব্লিক কর্ফিয়ু মপূং ফানা শৌগৎতুনা খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা লায়না লাইচৎ অসি ঙাকথোক্নবগী মতাংদা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# পেন্সনগী শেনফম শরুক অনী হেনগৎহল্লগনি : কেজ্রিৱাল

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস তপ্না তপ্না হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা অহল ওইরবা মীওইশিং, মপুরোইবা কায়নখ্রবীশিং অমসুং হকচাংগী ফীভম তোঙাল্লবশিংদা পীবা পেন্সনগী শেনফম হেনগৎহল্লগনি হায়না দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

হান্না থা খুদিংগী লুপা লিশীং ৪ পীরম্বদগী হৌজিক্তি লুপা লিশীং ৫দা হেনগৎলগনি। এপ্রিল ৭তগী হৌনা বেনিফিস্যারি লাক্ষ ৮.৫দা হেনগৎলবা পেন্সনগী শেনফম পীরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা হীরম খুদিংমক্তা অথিংবা থম্বনা লায়রবা মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিংদা লেম্না চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফংহল্লগনি। নোংমগী খূৎশুমলনা হিংলিবা শিন্নমীশিং অমসুং লেবরর খুদিংমক্তা অখন্নবা তেংবাঙ লৌখৎনবা থৌরাং লৌখৎলে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা এপ্রিল থাগী ওইনা ফ্যের প্রাইজ সোপ্তগী চেঙ অমসুং হৱাইনচিংবা পোৎলম লৈরিবা মীওইশিংনা হান্না ফংলম্বা চাংদগী চাদা ৫০ হেন্না ফংলগনি। দিল্লিদা লৈরিবা মীওই লাক্ষ ৭২না ফ্যের প্রাইজ সোপশিংদগী চান-থক্নবা পোৎলমশিং লৈরি।

# য়েস বেঙ্ক কেস : ইন্দষ্ট্রিয়লিষ্ট সুভাস চন্দ্রবু ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ৱাহং-পাউহং চথখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
য়েস বেঙ্কক্কী ফাউন্দর রানা কাপুরগী মথক্তা লৌখৎপা মনি লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা ইসেল গ্রুপকী চ্যেরমেন সুভাস চন্দ্রবু ঙসি ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা ৱাহং-পাউহং চথখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা চন্দ্র অমসুং জেট এয়রৱেজগী চ্যেরমেন ওইরম্বা নরেস গোয়ল, দি ঐচ এফ এলগী প্রমোটর কাপিল ৱাধৱানবু কেস অসিগা মরী লৈননা কৌখ্রবনি। ঈ দিনা থারকপা সমোনগী মতাংদা ইসেল গ্রুপনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, ডা. চন্দ্রনা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিদা মশাগী ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীনবা শেম-শারে। মনি লোন্দরিংগী মতাংদা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা মপুং ফানা কোওপরেসন পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গ্রুপ অসিনা ঙসি ফাওবদা অরানবা থৌওং অমত্তা চথখিবা লৈতে। হৌজিকফাওবদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগা মরী লৈননা য়েস বেঙ্কতগী লৌরুবা শেনফম পুম্নমক মতম চানা শীংগৎকনি। রিলায়ন্স গ্রুপকী চ্যেরমেন অনিল অম্বানিসু ঈ দিনা ৱাহং পাউহং চথখি।

# প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ টেষ্ট তৌরগনি

লক্ষ্নৌ, মার্চ ২১ (এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দসু নোভেলকোরোনা ভাইরসকী মতাংদা টেষ্ট তৌরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রাজস্থানগী এম পি দ্যুসন্ট সিংহনা শিনবা ৱেকফাষ্ট অমদা শরুক য়ারুবগীদমক প্রসিদেন্টপু কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। শৈশকপী অমনা শিনবা থৌরমদা শরুক য়ারুবা রাজস্থানগী এম পি অদুগা নকশিন্নরুই হায়বগীদমক প্রসিদেন্টসু কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনখি।

দ্যুসন্ট সিংহ অমদি রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী বসুনধরা রাজেসু লক্ষ্নৌদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট য়াওবা ৱেকফাষ্টকী থৌরম অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর শ্রীমিটি ইরানি, স্কিল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর মহেন্দর নাথ পান্দে, ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রোদ ত্রান্সপোর্ট ভি কে সিংহ অমদি অতোপ্পা এম পি ৯৬সু শরুক য়াখি।

ৱেকফাষ্ট য়াওবা থৌরমদা শরুক য়াখিবা মীপূম খুদিংমক নোভেলকোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌগদ্রা হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 131/SDC/NTK/2020**
Sagapam Sanatomba Singh S/o (L) S. Dhala Singh of Ningthoukhong Kha -Khunou W/No. 4 ....*Petitioner*
-Vs-
(Late) Sagapam Jaljit @ Dhala Singh S/o (L) Atolchou Singh of Ningthoukhong Kha-Khunou. ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 19/3/2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 44/34 (O), 705 (N), C.S. Dag No. 2089, an Area 0.09 acre of Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৭/৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6649/22 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 132/SDC/NTK/2020**
1. Sagapam Shantikumar Singh S/o (L) S. Nandagopal Singh of Ningthoukhong Kha-Khunou W/No. 4
2. Sagapam Ashokkumar Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*

-Vs-
(Late) Sagapam Nandagopal Singh S/o (L) Atolchou Singh of Ningthoukhong Kha-Khunou. ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 19/3/2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 44/34 (O), 710 (N), C.S. Dag No. 2088, an Area 0.35 acre of Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৭/৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6649/22 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 130/SDC/NTK/2020**
1. Salam Mani Singh S/o (L) Sanajao Singh of Naranseina.
2. S. Rabi Singh S/o (L) Shyamo Singh of -do-
3. S. Ratan Singh S/o (L) -do- of -do-
4. S. Naobi Singh S/o (L) -do- of -do-
5. S. Deven Singh S/o (L) Nitai Singh of -do-
6. S. Kesho Singh S/o (L) -do- of -do-
7. S. Juge Singh S/o (L) Norendro Singh of -do-
8. S. Bipin Singh S/o (L) -do- of -do- ....*Petitioners*

-Vs-
(Late) Salam Sanajaoba Singh S/o (L) Chaomacha Singh of Naranseina. ...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 7/3/2020

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 48 - Naranseina Village গী Patta No. 48/125 (O), 328 (N), C.S. Dag No. 1053/1953, an Area 0.76 acre of Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (পিটিস্নর) শিং অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৭/৩/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা আপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/6649/22 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Ningthoukhong

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/6081/25/2to27/3(alt.)

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**PUBLIC WORKS DEPARTMENT**

**TENDER NOTICE NO :- EE/BPR/PWD/TN (NP)/2019-2020**
**Dated, Bishnupur, the 19th March, 2020**

The Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur invites sealed item rate tender on behalf of the Governor of Manipur from eligible, approved and registered Government contractors of appropriate class upto 3.00 p.m. on 30th March, 2020 for the following work. Tender will be opened in the office of the undersigned at 3.30 p.m. on the same day in the presence of the intending contractors of their authorized representatives.

**Name of work**

M/o Upokpi Maning Lambi
(E/C : Rs. 17,19,512/-, EMD : Rs. 34400/-, Time : 6 months
Application for purchase of tender form shall be applied to the undersigned on or before 28/03/2020 upto 3.00 P.M. Tender documents shall be available on payment of Rs. 500/- (non-refundable) on all working days upto 4.00 PM of 28.03.2020. Other details can be seen from the tender document.

**Sd/- Executive Engineer**
**Bishnupur Division, PWD, Manipur.**
HL-B/6139/22

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**PUBLIC WORKS DEPARTMENT**

**TENDER NOTICE NO :- EE/BPR/PWD/TN (NP)/2019-2020**
**Dated, Bishnupur, the 19th March, 2020**

The Executive Engineer, Bishnupur Division, PWD, Manipur invites sealed item rate tender on behalf of the Governor of Manipur from eligible, approved and registered Government contractors of appropriate class upto 3.00 p.m. on 30th March, 2020 for the following work. Tender will be opened in the office of the undersigned at 3.30 p.m. on the same day in the presence of the intending contractors of their authorized representatives.

**Name of work**

M/o Eco Park IVR from 1.21 km to 2.41 km
(E/C : Rs. 17,37,257/-, EMD : Rs. 34800/-, Time : 6 months
Application for purchase of tender form shall be applied to the undersigned on or before 28/03/2020 upto 3.00 P.M. Tender documents shall be available on payment of Rs. 500/- (non-refundable) on all working days upto 4.00 PM of 28.03.2020. Other details can be seen from the tender document.

**Sd/- Executive Engineer**
**Bishnupur Division, PWD, Manipur.**
HL-B/6138/22